


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, SATURDAY, NOVEMBER 23, 2019 **PAGE 7**




*কেপ্টেন অমা ওইনা টেষ্ট মেটচতা খ্বাইদগী থুনা রন ৫০০০ লৌবা ঙম্বগী অনৌবা রেকোর্দ থম্না ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি*

*ইটালিগী ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী মকোক থোংবা ক্লব জুবেন্টসতা মখা তানা কুমজা ২০২২ ফাওবা শান্নগদৌরিবা জুৱান কুৱাদ্রাদো*

## আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ ঃ ইন্দিয়াগী মনু ভাকর অমসুং দিভ্যান্স পনৱারনা অনীশুবা গোল্ড লৌখ্রে

*পুটিয়ান, নবেম্বর ২২ (এজেন্সি)ঃ*

চাইনাগী সিটি পুটিয়ানদা চখরিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ ফাইনেলসতা ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকর অমসুং দিভ্যান্স পনৱারনা অনীশুবা গোল্ড মেডল লৌখ্রে, সৌরভ চৌধারি অমসুং অপুর্ভি চানে দলানা সিলভর মেডল ফংখ্রে।





চাইনাগী সিটি পুটিয়ানদা লৈবা চাইনিজ সুট্টিং এন্দ আর্চরি এদমিনিষ্ট্রেসন সেন্টরদা চখরিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ ফাইনেলস অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী মিক্স এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মনু ভাকর অমসুং রুশিয়াগী পেয়র অর্টেম চেরনোসোভ গোল্ড মেডল লৌখি।

অদুগা মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা ইন্দিয়াগী দিভ্যান্স পনৱারনা ক্রোএসিয়াগী এসজেঝানা পেজকিকগা পেয়র ওইদুনা ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। পেয়র অনীমক মখোয়না উৎখিবা পার্ফোমেন্স অদুনা মরম ওইরগা প্রসিদেন্টস ট্রোফি লৌবা ঙমখি।

মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিম ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী মনু ভাকর অমসুং রুশিয়াগী অর্টেম চেরনোসোভনা ইন্দিয়াগী সৌরভ অমসুং গ্রিসকী অন্না কোরাকাকীবু পোইন্ট ১৭–১৩ দা থোইদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি। অহানবা হাল্ফতা সৌরভ চৌধারি অমসুং গ্রিসকী অন্না কোরাকাকীনা য়াম্না ফজবা হেন্দুনা পোইন্ট ৮–২ দা মাঙজিল থাবা ঙমখিবনি। অদুবু অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী মনু ভাকর অমসুং রুশিয়াগী অর্টেম চেরনোসোভনা ফজনা লম্বা পীরকপদগী গোল্ড মেডল ফংখিবনি। মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী সৌরভ অমসুং গ্রিসকী অন্না কোরাকাকীনা সিলভর মেডল ফংহৌবনি।

মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল মিক্স টিমগী ব্রোঞ্জ মেডল প্লে ওফতা ইন্দিয়াগী সাহজার রিজবি অমসুং সর্ভিয়াগী জোরানা অরুনোভিসনা মায় পাক্তুনা মেডল অসি লৌবা ঙমখি।

মিটর ১০গী এয়র রাইফল মিক্স টিম ইভেন্টকী গোল্ড মেডল মেটচতা ইন্দিয়াগী দিভ্যান্স পনৱার অমসুং ক্রোএসিয়াগী জেজানা পেজকিকনা ইন্দিয়াগী অপুর্ভি চান্দেলা অমসুং চাইনাগী ঝাং চাংহোংবু পোইন্ট ১৬–১৪ দা মায়থিবা পীরম্লগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

গোল্ড মেডল মেটচ অসি হৌরকপদা ইন্দিয়াগী অপুর্ভি চানে দলা অমসুং চাইনাগী ঝাং চাং হোংনা পোইন্ট ৬–০ দা হেন্দুনা মায় পাকপগী ফিভমদা লৈরম্বনি। অদুবু মখা তানা লম্বা তৌনরকপদা অসিগী ইন্দিয়াগী দিভ্যান্স পনৱার অমসুং ক্রোএসিয়াগী জেজানা পেজকিকনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ঙরাং পাঙথোকখিবা তোঙান–তোঙানবা কম্পিটিসনশিংদা ইন্দিয়াগী সুট্টর মনু ভাকর, ইলাভেনিল ভালারিয়ান অমসুং দিভ্যান্স পনৱারনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা গোল্ড মেডল অমমম লৌবা ঙমখিবনি।

চাইনাগী সিটি পুটিয়ানদা চখরিবা আই এস এস ৱার্ল্ড কপ ফাইনেলস অসিদা ইন্দিয়াগী সুট্টরশিংনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎতুনা গোল্ড ৫, সিলভর ২ অমসুং ব্রোঞ্জ ১ পুন্না মেডল ৮ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লি।

## কানাদানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ ২–১ দা থোইদুনা দেবিস কপকী অহানবা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা লৈবাক ওইখ্রে

*মাদ্রিদ, নবেম্বর ২২ (এজেন্সি)ঃ*

স্পেনগী কোনুং মাদ্রিদতা চখরিবা টেন্নিস মশান্নগী টিম কম্পিটিসন ওইরিবা দেবিস কপ ২০১৯ গী ক্বার্টর ফাইনেলদা কানাদানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ ২–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্বা অহানবা লৈবাক ওইবা ঙমখ্রে।




কানাদা অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অসিগী অহানবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলসতা কানাদাগী ভাসেক পোস্পীলনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনবু ষ্ট্রেট সেট অনী ৭–৬(৯–৭), ৬–৪ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসতা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা কানাদাগী দেনিস সাপোভালোভপু সেট ২–১ দা থোইদুনা মেটচ ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

অহানবা সেটতা কানাদাগী সাপোভালোভনা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিনোরবু ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী মিনোরবু ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নরকখি।

অহুমশুবা অমসুং দিসাইদিং সেটতা শান্নরোই অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী গেম ৫–৫ দা মান্নদুনা লাকখি। মখা তানা শান্নরকপা গেম অনী ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনা ৭–৫ দা থোইদুনা লৈবাক অনীমক মেটচ ১–১ দা মান্নদুনা লৈখিবনি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসকী লম্বাদা কানাদাগী ভাসেক পোস্পিসিল অমসুং দেনিস সাপোভালোভনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোরদান থোমসন অমসুং জোন পিয়র্সপু ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–৪, ৬–৪ দা থোইবা ঙমদুনা মেটচ ২–১ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

দেবিস কপ ফাইনেলস অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা রুশিয়ানা সর্ভিয়াবু মেটচ ২–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা কানাদাগা লম্বা তৌনরগনি।

সর্ভিয়া অমসুং রুশিয়ানা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অসিগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসতা রুশিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেভনা সর্ভিয়াগী ফিলিপ ক্রাজিনোভিসপু ষ্ট্রেট সেটতা য়াম্না লায়না ৬–১, ৬–২ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী অতোপ্পা সিঙ্গলস মেটচতা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা রুশিয়াগী কারেন খচানোভপু ষ্ট্রেট সেটতা থোইদুনা মেটচ ১–১ দা মান্নদুনা লাকখি।

অহানবা সেটতা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা রুশিয়াগী কারেন খচানোভবু ৬–৩ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতসু চপ মান্নবা স্কোর ৬–৩ দা জোকোভিসনা থোইদুনা মেটচ ১–১ দা মান্নখি।

দিসাইদিং মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসকী লম্বাদা রুশিয়াগী পেয়র কারেন খচানোভ অমসুং এন্দ্রি রুব্লেভনা সর্ভিয়াগী পেয়র নোবাক জোকোভিস অমসুং ভিক্টর ত্রোইকিবু সেট অহুম চঙনা লম্বা তৌনরবা মতুং ৪–৬, ৬–৪, ৭–৬(১০–৮) দা থোইবা ঙমদুনা টাই অসিগী মেটচ ২–১ দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

## বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স ঙসি শান্নগনি

*বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ২২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ান সুপর লীগ (আই এস এল) গী হয়েং শান্নগদবা ৫শুবা রাউন্দগী মেটচতা বেঙ্গালুরু এফ সি অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স শান্নরগনি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগ অসি মতম খরা লেপ্পুরবা মতুং ঙসিদগী অমুক শান্নবা হৌগদৌরিবনি। বেঙ্গালুরু এফ সি লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ৪ শান্নখিবদা পোইন্ট ৬ ফংলগা ৫শুবদা লৈরি অদুগা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মেটচ ৪ দা পোইন্ট ৪ ফংলগা ৭শুবা পোজিসনদা লৈরি। ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা এটলেটিকো দি কোলকটানা মেটচ ৪ দা পোইন্ট ৯ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

## জপানগী য়ামাগুচি কোরিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলসতা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*গুৱাংঝু, নবেম্বর ২২ (এজেন্সি)ঃ*

কোরিয়াগী সিটি গুৱাংঝুদা শান্নরিবা য়ু এস দোল্লর ২০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা কোরিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা জপানগী অকানে য়ামাগুচি নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে।

কোরিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা সাউথ কোরিয়াগী লি সে য়িওনবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–৯, ২১–১৫ দা য়াম্না লায়না মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমদুনা সাউথ কোরিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই অন সে য়ংগা শান্নরগনি। অন সে য়ংনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই সিম য়ু জিনবু ২১–১৩, ২১–১৩ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৫শুবা সিদেদ সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হিয়ুন অমসুং জপানগী সেনা কৱাকামী লম্বা তৌনরগনি।

সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হিয়ুননা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোই কিম গা ইয়ুনবু ষ্ট্রেট গেম ২১–১৫, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্বনি অদুগা জপানগী সেনা কৱাকামীনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী ঝাং য়িমেনবু ২১–১৪, ২১–১৬ তা মায়থিবা পীরম্বনি।

কোরিয়া মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা চাইনাগী শান্নরোই অনী লিন দান অমসুং ঝাও জুনপেংনা শান্নরগনি।

লিন দাননা থাইলেন্দগী টি সেনসোম্বুনসুকপু ২১–১৮, ২১–১১ দা মায়থিবা পীরম্বনি অদুগা ঝাও জুনপেংনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা জপানগী ৱাটনবেবু ২১–১৩, ১০–২১, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা জপানগী সুনেয়ামা অমসুং চাইনাগী লু গুৱাংঝুগা শান্নরগনি। জপানগী সুনেয়ামানা সাউথ কোরিয়াগী কিমবু ১৬–২১, ২২–২০, ২১–৬ তা থোইরম্বনি। অদুগা চাইনাগী লু গুৱাংঝুনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা চাইনিজ তাইপেগী লিন চুন লিবু ১৭–২১, ২১–১৮, ২১–১০ দা থোইরম্বনি।

## ‘ওলেম্পিক মেডলসতা ইন্দিয়া ভর্সেস মাইকেল ফেলপস, য়ু এস এ’

ঈশ্বরনা খুদোল তস্বীরম্বা মনতিক্লবা য়াদ্রবল মমল লৈত্রবা খূৎশেমগী ওইবা চীং পাৎ তুরেল, ঈশিং নুংশিৎ নুংশাগী মৈশা মঙালক্তা মীওইবা কৌবা জীবনা অতোপপা থৱাই পানবা অমসুং পান্দবা কয়াগা লোয়ননা মালেম ফম্বাকথকসিদা অমত্তা ওইবগী লিচিং দা হিংমিন্নরি হেক চীৎথবা য়াদবা থাদোক্লবা য়াদবা পূক্লিং ৱাখলগী ওইবা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা কয়াগা লোয়ননা। তাইবঙপানগী মচৎনি, মীওইবা নৎতবা জীবশিং দসু য়াওরমগনি, থোইনা হেন্না খঙদে খল্লুদে অদুবু মীওইবলক্তদি অতাঙবা য়াম্না তাঙবা ঈশ্বরগী শক্তি চেনবা অথোইবা মীশক অমুক অমুক মরক মরক্তা পোক্লকই য়াওরকই। অসিগুম্বা মীশকশিং অসি মশাগী ওইবা ফুরুপলক্তগী হেন্দোরক্তুনা মালেমগী ওইবদা অখন্নবা মীশক ওইরকই। মালেমগী মীয়াম্না মহাকপু শক শোন্নরকই, কাওঙল্লোইদবা অমা ওইনা মহাক্কী অহেনবা তৌবা ঙম্বা শক্তি কয়া অদুবু। মাগী ৱারী ইতিহাস শেমদুনা তুংগী মীরোলদা খুদোল অমা ওইনা থল্লমই। মতম মতমগী মীরোলনা নীংশিংলগা থৌনা হাপ্তুনা হোৎননিংবগী ইনোৎ পীদুনা অথোইবা মীশক অমা ওইনবদা পূক্লিং ৱাখলগী লমজিং লিচিং ওইহল্লি। খঙনরি হায়নরি অসিগুল্লবা শক্লোন লৌদুনা পোক্লকপশিং অসিবু লাইপোক্লি হায়না। লম অমমমদা অতাঙবা থোইদোক হেন্দোক্লবা মীওই কয়া (নুপা / নুপী) পোকখ্রবা কয়াগী মরক্তা ঙসিগীর মীরোলসিদসু পোক্লরি শান্ন–খোৎনবগী লমদা শান্নরোই অমা ওইনা অমেরিকা মচা মাইকেল ফেলপস (Michael Phelps) মাগী পূন্সি ৱারী লাকত্রিঙৈদা মহাক অসি ইন্দিয়াগা চাংদম্নবদা য়াম্না চান্নরিবা তাঙ্কক অমা ইনা নীংশিংলগা ৱারেংসি শেম্বনি খঙমিন্নসি।

মালেমগী শান্ন–খোৎনবগী লমদা অথোই অহেন তান্নবগী খ্বাইদগী চাওনা চহী মরি মরি লৈরগা পাঙথোক্লিবা ওলেম্পিক গেমসতা মীশিং য়াম্বদা অনীশুবা লৈবাক ওইরিবা ইন্দিয়া মীয়াম চঙদুনা হোৎনরগা ওলেম্পিক গেমস ২৭ (কুনতরেৎ) লক শরুক য়াবদা ফংলকপা মেডল মশীং ২৭ (কুননিপাল) গা মাইকেল ফেলপসনা ওলেম্পিক মরিরক থংন–থংননা শরুক য়াবদা ফংলকপা মেডল মশীংগা চপ মান্নে। অদুগা অমরোমদা ইন্দিয়া অপুনবনা ফংবা গোল্ড মেডল মশীংদগী মহাক মতোমতনা ফংবা মেডল মশীংনসু হেল্লি।

ইন্দিয়ানা ১৯০০, পেরিস ওলেম্পিকক্তগী ঙসি ফাওবা ওলেম্পিক শরুক য়ারকপদা ফংলিবা গোল্ড মেডল ৯ (মাপল) অসি ৮ (নিপাল) অমদি নুপাগী হোক্কী মশান্নদা ফংবনি । অমনা সুট্টিং ইভেন্টতা ফংবনি। 2008 (Two zero zero eight) বৈজিং ওলেম্পিক গেমসকী স্বিম্মিং ইভেন্টতা মাইকেল ফেলপসনা গোল্ড মেডল নিপাল অদুগা ইভেন্ট তরেৎতা হান্না থম্লম্বা রেকোর্দ অদুসু তুংওইনরমই। মাইকেল ফেলপসনা 2004, এথেন্স, 2008, বৈজিং, 2012, লন্দন অমসুং 2016 রিও ওলেম্পিক গেমসতা মেডল সনাগী ২৩, সিলভর ৩, ব্রোঞ্জ ২ পুন্না মেডল ২৮ ফংবা ঙম্বসি থারগা ইন্টরনেসনেল স্বিম্মিং ফেদেরেসন্না শকখঙলবা স্বিম্মিং চেম্পিয়ন্সিপ লৌবা মেডল মশীং থারগদি সনাগী ৬৬, লুপাগী ১৪, সেঞ্জেংগী ৩ পুন্না মেডল ৯৩ (93) ফংবা ঙমখি। মাইকেল ফেলপসনা ওলেম্পিক মরিদা ফংবা ঙম্বা অসিগা চাওখ্রবা মীশিং য়ামখ্রবা ইন্দিয়ানা চহী ১০০ হেন্না শান্নবগীদমক হোৎনরক্লিবা অসিগা চাংদম্নরুবদি অঙকপা হায়বদুনি। চহী ১০০ মুকসিদা ইন্দিয়ানা শান্ন–খোৎনবগীদমক থাদখিবা অচঙবা পৈশা অদু মাইকেল ফেলপস কুম্না শান্নরোই অমা অনী লৈরম্বনা হেন্না ফৈ হায়বদুনি। শান্নবগী মতাংসিদা ইন্দিয়াসি হৌজিক্তি মীৎয়েং অনীখক্তা য়েংবা য়াই। অহানবদা চাওখ্রবা মীশিং য়ামখ্রবা ইন্দিয়া অসি মশাগী ওইবা শান্নবগী মতিক মগুন চেনবা মী পোক্তবা লৈবাক অমা ওইবজাৎলা? অনীশুবদা পোক্লগনা ইন্দিয়ানা শান্নবগী হোৎনরিবা পুম্বা হৈতবনা খঙদবনা মরম ওইরগা কদাইৱাইদনো অশোয়বা অমা চাওনা মায়োক্লরি হায়না লৌবদা লানগদ্রা? তান্নরিবা খূদিংগী মমাঙ থংবদুনা অসুম অসুম তানবা ঙমদবা মওংদা চেনখিবা তারবদি তাল্লুবগী কান্নবা ফংলোইদবা লৈরবদি তানবনা ফরিব্রা তানদবনা ফৱা হায়বা ৱাহং অমদি লৈগনি।

মাইকেল ফেলপস পূন্সি ৱারীদা অমুক লাকপদা শন্নপ্পা খরদং থমবদা মাইকেল অমেরিকাগী খ্বাইদগী ক্রাইম দেঞ্জর সিটি কুম্ব্রাগী মনুংদা অমা ওইরিবা বালটিমোর হায়বা সহরগী মেরিলেন্দ হায়না খঙনবা মফমদা 30th June 1985, দা পোকখি। মচিন মনাও অহুমগী মনুংদা অতোনবনি। অপোকপা মমা দেবেরাহসু মিডল স্কুলগী প্রীন্সিপাল ওইখি অদুগা অপোকপা মপা মাইকেল ফ্রেদ ফেলপস রিটাইর শগোল লন্মীনি। স্কুল অমসুং কলেজ মতমদা ফজনা শান্নরম্বা মপানি। মমা মপা অনীমক শান্ন–খোৎনবা য়াম্না পাম্বা মীশক ওইখি। মাইকেল ফেলপসনা মশাগী চহী ৯ (মাপল) শুরকপদা 1994 দা মমা মপা খাইনদুনা মহাক্তি মচেগা লোয়ননা মমাগী নাক্তা লৈখি। মপাগা লাপথোক্লখি অদুবু লাপথোক্লদ্রিঙৈ মশাগী চহী ৭ (তরেৎ) শুরকপদা য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈদগী স্বিম্মিং চাং নাইনা তম্বা হৌরকখি। অদুবু মহাক্লা চহী ৬ (তরুক) শুরকপা মতমদা Attention deficit hyperactivity disorder (ADHD) হায়বা লায়নাসি নাখি। লায়না অসি মেন্টেল দিসওর্দর ওইবা লায়নানি। মমা অমদি মচেনো ইরোইবা অসি পামজমনবদগী মশাগী চহী ১০(তরা) শুরকপদা এজ গ্রুপ স্বিম্মিংদা 100m বট্টরফ্লাইদা নেসনেল রেকোর্দ থুগাইবা ঙমখি। অমেরিকাগী স্বিম্মিং ওলেম্পিক ক্বালিফাইং হিষ্টোরিদা খ্বাইদগী নহা ওইনা মশাগী চহী ১৫ (তরামঙা) শুরকপা মতমদা শরুক য়াবা ঙমখি। 2001, ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াবদা 200m বট্টরফ্লাই ইভেন্টতা সনাগী মেডল ফংখি। মশাগী চহী ১৫ (তরাতরুক) শুরকপা মতম অসিদা হায়রিবা ইভেন্ট অসিদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্বা ওইরে। মসিসু খ্বাইদগী নহা ওইবনা ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্বা স্বিম্মর অমসু ওইরি।

মাইকেল ফেলপস অসিগী পারি পুরী হঙ্গৎনা য়েংলুবদা মহাক অসি ইংলিশ, জরমন, আইরিস, স্কোটিশ অমসুং ৱেলস মথং মথং চাদা নাওনা ওইবা মীশক অমা ওইখি। 2016, রিও ওলেম্পিক গেমস লোইরবা কম্পিটিটিপ স্বিম্মিংদগী পোখারবা মতুংদা ফুট ৬"৪" (তরুক মরি) ৱাংবা স্বিম্মর অসিনা ফোঙদোরকপদা মহাকপু অফবা স্বিম্মর অমা ওইরক্লবগী উদবা ইথিল অমা পীরকখিবসিদি তংখায় অমদি মমা অমসুং মচেননি অদুগা তংখায় অমনা মশাগী পাঙ্গল শক্তিননি হায়না অসুম্না ফোঙদোকই। 9-9-19 দা অহুমশুবা মচানিপা অমা ফংদুনা মাইকেল ফেলপস মাগী লোয়নবী নিকোল জোহনসনগা লোয়ননা ইরোইবা মশান্নদগী পোখারবা মীশক অমা ওইনা নুংঙাইনা পূন্সি লেল্লি।


এল. কালা উরিপোক


## অনীশুবা টেষ্ট মেটচতা ইন্দিয়ানা রন ৬৮ মাঙজিল থাদুনা চৎলি

*কোলকটা, নবেম্বর ২২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশনা শান্নখিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চন্না ঙসিদগী শান্নবা হৌখিবা অনীশুবা দে এন্দ নাইট টেষ্ট মেটচতা অহানবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ইন্দিয়ানা রন ৬৮ মাঙজিল থাদুনা চৎলি।

অনীশুবা টেষ্ট মেটচ অসিগী টোস বাংলাদেশনা ঙমদুনা হান্না বেট্টিং তৌরকখি। বাংলাদেশকী অহানবা ইন্নিংস য়াম্না ফিভম শোকখি। ওপনর সাদমান ইস্লামনা রন ২৯ লৌরম্বা অসিনা টিম অসিগী খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

৭শুবা বেটসমেন লিটন দাসকী রন ২৪ অমসুং ৮শুবা বেটসমেন নায়িম রন ১৯ অসি নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিং রন ১০ য়ৌবা ঙমখিদবদগী বাংলাদেশকী ইন্নিংস অদু ওভর ৩১গী অহুমশুবা বোলদা বেটসমেন ১০ মক আওট ওইরগা রন ১০৬ তা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী বোল্লিংদা ফাষ্ট বোল্লর ইসান্ট শর্ম্মানা বাংলাদেশকী বেটসমেন ৫ আওট তাহনবা ঙমদুনা খ্বাইদগী মায় পাকপা বোল্লর ওইখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোল্লর উমেস যাদব অমসুং মোহমদ সামীসু মথং শিৎনা বাংলাদেশকী বেটসমেন ৩ অমসুং ২ আওট তাহনবা ঙমখি। বাংলাদেশকী অহানবা ইন্নিংস অসিদা ইন্দিয়াগী বোল্লরশিংনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী বাংলাদেশকী বেটসমেনশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবনি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপগী অহানবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা ওভর ৪৬ তা বেটসমেন ৩ আওট ওইরগা রন ১৭৪ লৌদুনা ইন্দিয়ানা বাংলাদেশতগী রন ৬৮ হেন্দুনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী ওপনর ময়াঙ্ক অগরৱাল অমসুং রোহিট শর্ম্মা মথং শিৎনা রন ১৯ অমসুং ২১ লৌরম্লগা আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা চিটেশ্বর পুজারাসু রন ৫৫ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

ঙসি অহানবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবা ফাওবদা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি অমসুং অজিনক্য রহানে মথংশিৎনা রন ৫৯ অমসুং ২৩ লৌরগা আওট ওইদনা ক্রিজদা লৈরি।

বাংলাদেশকী বোল্লিংদা ইবাদট হুসেননা ইন্দিয়াগী বেটসমেন ২ আওট তাহনবা ঙমখি। বাংলাদেশকী অতোপ্পা বোল্লর অল–অমিন হোসেনসু ইন্দিয়াগী বেটসমেন অমা আওট তাহনবা ঙমখি।

## শান্নগদবা মফমশিং য়েংশিনবা থা অসিগী মনুংদা লোইশিল্লগনি

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২২ (এজেন্সি)ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু–১৭ বুমেন’স ফিফা ৱার্ল্ড কপকী শান্নগদবা মফমশিং থা অসিগী মনুংদা লোইশিল্লগনি হায়না ফিফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইগদৌরিবা য়ু–১৭ বুমেন’স ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসি মথং চহীগী নবেম্বর ২ দগী ২১ ফাওবদা পাঙথোক্কদবনি। টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নগদবা মেটচশিং অসি লৈবাক অসিগী মরুওইবা সিটিশিং কোলকটা, গুৱাহাটি, ভুবনেশ্বর, অহমেদবাদ অমসুং নাভী মুম্বাইদা লৈবা ষ্টেদিয়মশিংদা শান্নগদবনি।

ফিফাগী দেলিগেসন অসিনা কোলকটাদা নবেম্বর ২৭, গুৱাহাটিদা নবেম্বর ২৮, ভুবনেশ্বরদা নবেম্বর ২৯, অহমেদবাদতা নবেম্বর ৩০ অমসুং নাভী মুম্বাইদা দিসেম্বর ১দা ইন্সপেক্সন চৎতুনা য়েংশিল্লগনি। ফিফা অমসুং লোকেল ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী দেলিগেসননা মফমশিং অসিদা লৈবা শান্নরোইশিংগী ট্রেনিং সাইটশিংসু য়েংশিনগনি হায়রি।

## মৈরাবা লুৱাং সিঙ্গাপোর য়ুঠ বেদমিন্টনগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে




*ইম্ফাল, নবেম্বর ২২ (এস এন এস)ঃ*

সিঙ্গাপোর বেদমিন্টন ফেদরেসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ১৮ দগী ২৪ ফাওবা সিঙ্গাপোর সিটিদা চখরিবা সিঙ্গাপোর য়ুঠ ইন্টরনেসনেল বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা মণিপুরগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাং সেমি ফাইনেলদা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা তাইৱানগী লিয়াও ঝৌ ফুগা শান্নরগনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মৈরাবা লুৱাংনা অহানবা রাউন্দদা সিঙ্গাপোরগী ইন্দ্র সেটিয়ান ৱিজয়াবু পোইন্ট ২১–১২, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীখি। অদুগা অনীশুবা রাউন্দদা মৈরাবনা ইন্দোনেসিয়াগী দিকোসেটয়া অটমাজাবু পোইন্ট ২১–১৯, ২২–২০ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মণিপুরগী শান্নরোই মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা তাইৱানগী ইসু চিয়ুবু পোইন্ট ২১–১৮, ২১–১১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

### ক্রোসৱার্দ ৩৪৬ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| S | N | A | P | ■ | A | P | E | S | ■ | I | N | T | R | O |
| H | A | L | O | ■ | T | E | S | T | ■ | R | E | R | A | N |
| A | V | O | I | D | A | N | C | E | ■ | S | T | A | R | T |
| P | A | U | S | E | ■ | N | O | V | A | ■ | ■ | N | E | O |
| E | L | D | E | S | T | ■ | R | E | C | E | S | S | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | ■ | K | E | P | T | ■ | E | L | O | P | E | D |
| I | C | E | R | ■ | L | O | S | S | ■ | S | N | O | R | E |
| N | O | T | A | B | L | E | ■ | T | R | E | A | S | O | N |
| C | R | E | T | E | ■ | T | R | E | E | ■ | R | E | S | T |
| A | E | R | I | A | L | ■ | E | W | E | S | ■ | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | N | O | M | A | D | S | ■ | D | E | T | E | C | T |
| N | B | A | ■ | ■ | P | E | T | E | ■ | M | O | L | A | R |
| A | L | L | O | W | ■ | F | O | R | T | I | T | U | D | E |
| P | O | L | K | A | ■ | A | R | I | A | ■ | A | D | E | S |
| A | B | Y | S | S | ■ | T | E | E | N | ■ | L | E | T | S |